ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া শিনবা থুংনা চৎলক্লিবা গভর্ণর লা গনেসননা হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী খুভমদা চৎতুনা লাই খুরুমখিবা

মীরোল্লিঙৈ মতমদা এভোকেদো চাবা মথৌ তাবগী মরুওইবা মরমশিং
☛ লামায় ২

লুপা ক্রোর ১.২ রোমগী ব্রাউন সুগর ফারে
☛ লামায় ৩

সী আই কোলেজ লম্বী এন জয়কুমারনা ব্লেক টোপিং তৌখ্রে
☛ লামায় ৫

মতমগা চুননা অপদেট তৌবগী মথৌ তারে : ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল
☛ লামায় ৬

থোংজু পার্ট টু কোনোক খোংনাংখোঙ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোককখিবা লিগেল এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রামদা এদভোকেট সুপ্রিয়ানা ৱা ঙাঙখিবা

Vol. 45, Issue No. 242 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 27, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

খোংজোম লানগী অথৌবশিংদা জে পি নদ্দানা লৈ-শু কৎতুনা খুরুমখ্রে

‘নীংতম্বা ঙাক্লবা লান্থেংনখিবা চাওথোকচনীংঙাইনি’

জে পি নদ্দা লাক্কদবা লম্বীদা ‘গো বেক বি জে পি মুর্দাবাদ’ হায়না ইরম্বগা লোয়নননা ফিরালশিং থুদেক্লম্লে

ঙাইখোং খুনৌদা গো টু ভিলেজ ২.০গী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : মমা লৈবাক্কী নীংখা তম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা মশাগী থৱায় কৎথোকখিবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎপগী খুদোংচাবা ফংলে হায়রদুনা ফ্রীদম ফাইটর পাওনা ব্রজবাসি অমদি অতৈ অথৌবশিং অদুনা বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনদুনা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনখিবা অদু চাওথোকচনীংঙাইনি হায়না বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাকখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা ঙসি খোংজোমগী খেবা চীংখোঙদা লৈবা পব্লিক পার্কতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, অথৌবশিং অদুনা বৃটিশশিংদা ঐখোয় ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্মী হায়বা অদু খঙহনখি। মদুমক্লা লৈবাক অসিগী নীংখা তম্নবগী চঙশিনবা খোঙজং অমনি অমসুং লান্থেং অদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বীসু য়াৎলমখিবনি হায়খি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়েংলগা থৌরাং কয়া মায় পাক্লা পায়খৎলে। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনা, জন ধন যোজনা, প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা, প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনানচিংবগী মখাদা লৈবাক অসিগী মীওই কোটি কয়াদা কান্নবা পীখ্রে হায়খি।

লোয়নননা মণিপুরদসু বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাকনা হকশেলগী তেংবাঙ পীদুনা ষ্টেট অসিদা অনাবা য়াওরকপদা চাউনা মতেং পীরি হায়খি।

লোয়নননা লাক্লিবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল অসিদসু মীয়াম্না বি জে পিদা পৱার পীদুনা মখা তানা বি জে পি লৈঙাক অমুক হন্না লৈহল্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা জে পি নদ্দানা খোংজোমগী খেব চীংগী ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স হেক য়ৌরকপগা খেব চীংথক্তা কাখৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা খোংজোম লানদা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা লৈ কৎতুনা খুরুমখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমসুং বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন শম্বিট পাত্রসু শরুক য়াখি।

মীয়ামগী মীফম অদুদা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী লাকপা বি জে পিবু শৌগৎপা মীওই লিশীং ২৫ রোম হেনবনা শরুক য়াখি। মীওইশিং অদুগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

অদুম ওইনমক বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা খেব চীংখোঙগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ ꯀꯥꯔꯇꯨꯟ / মরোল থোকপা লাই



জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙসি লোইরগনি

দেল্লী, গুৱাহাটি অমসুং সিলচরদা খোঙজং চঙশিনগনি, মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টদা পীফম থোকপা রেকমেন্দেসন পীগদবনি হায়বগী দিমান্দদা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল অমসুং লূপ ১৬না চত্থরকখিবা পুং ৭২গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হয়েং নোংয়াইদা লোইশিল্লগনি হায়না দব্লিয়ু এম সীগী সেক্রেটরি অরুননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা দেল্লী, গুৱাহাটি অমসুং সিলচরদসু দিমান্দ অসি তকশিনবা খোঙজংশিং চত্থবগা লোয়নননা মখা তাবা খোঙজংশিং লূপ ১৬কা খন্নদুনা থিম্নদনা লেপথোক্লগনি হায়রি।

ঙসি নুমিদাং ফাওবগী ওইনা চত্থরক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মফম অমত্তদা পামদবা থৌদোক থোকখিবগী পাউ লৈখিদ্রি। অদুম ওইনমক ইম্ফালদগী হাইদোকখিবা

তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কৈথেল, দুকানশিং থোঙ লোন্নখিবগা লোয়নননা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং য়াওনা লন্নাই গাড়ীশিং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

CALL 1950
TO KNOW ABOUT ERO/BLO
Chief Electoral Officer, Manipur

জে পি নদ্দানা শান্নরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুমিদাং ইম্ফালদা থুংলখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা ঙসি অয়ূক হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগা উনখিবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংবু নৌহৈননা তরাম্না ওত্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র

...মখা লামায় ৩ কলম ১

অশিবা হকচাং লৈরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৬ লোম তারকপদা তৌসেম পি এসকী মনুং চনবা ওইনামলোং অমসুং নুংকালগী মরক্তা লৈবা ১৭৭ মাইল ষ্টোন মনাক্তা নুপা অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে। মীওই অদু চহী ৩০দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ওইগনি। মশম তেল্লি, খদাংগী কোই চোম্মী, মশা পাই, কুলৈ কুচুনি, ফুট ৫গা ইঞ্চি ৫ ৱাংই, অমুবা হাফ পেন্ট অমা শেৎলগা অঙৌবা অমসুং হিগোক মচুনা লাংবা খুদাং য়াওবা ফুরিৎ লিৎলম্মী। মহাক্কী মমিং মথা খঙদোক্লবগীদমক জেনিমসকী মোর্চ্যারিদা পুরক্তুনা থমখ্রে।

জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০১৮দা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা থা অসিগী ২২দা ফাগৎখিবা কে সী পিগী কেদরনি হায়বা থৌবাল নিঙোল্মম লৈকায়দগী কেনেদি নিঙোল্মম এলিয়জ কংলৈ (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা তোম্বা নিঙোল্মম ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা থম্বগী মতম লোইরদুনা ঙসি পুলিসনা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৮.১৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৭.৩২°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

HL Poll

Q: Rulling partysing luchingliba political party amagi ticket tannabada thokhanningdaba thoudok thoraktanaba hotnaba chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Indefinite Economic Blockade yasinnakhibagum ST demandgisu leingakna yasinnanaba hotnafam thoktabra?

Yes 86% No 14%

অস! লোইরেহে!

- করি করি পাউ য়াওরি, ইনাও?



- মশা থাগৎপা ঙাক্তা য়াওরে, তামো।

য়ুবী মনুংদা প্লান্ট তৌরম্বা আই ঈ দি পুলিসনা ফাগৎলে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী পরিংগী মন্ত্রিপুখ্রিদগীনা কোইরেঙ্গৈ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমসুং ১৫-অসাম রাইফলসনা চত্থখিবা মোবাইল ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং য়াওনা হান্না কোয়শিল্লগা থি-হুন্নগী থবক্তা লম্বী পরিংসিদা য়ুবী মনুংদা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) প্লান্ট তৌরগা পোকখায়হন্নবা হোৎনরম্বনি হায়বা প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফাগৎখিবগা লোয়নননা মহাক্লা য়ুবী মনুংদা প্লান্ট তৌবা আই ঈ দিশিং ফাগৎলে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনখিবা থৌরম অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি এন হেরোজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

ফারবা কাদর অদুগী মমিং নোংথোল্মম অবুং মৈতৈ এলিয়জ নোংদম্বা (২০) কৌই, নোংপোক সঞ্জেনবম খুল্লেন্দগী এন নন্দকুমার মৈতৈগী মচানুপানি হায়রি। ফারবা মীওই অসিনা মন্ত্রিপুখ্রি-কোইরেঙ্গৈগী মরক্তা মরু ওইনা

পোপি মরূ অমসুং কেমিকেলশিংগা কোন্ননা দ্রগ মেন্যুফেকচরিং য়ুনিটকী মীওইশিং ফারে

ইন্দিয়ন আর্মিদা এটেক চত্থনবগীদমক আই ঈ দি অসি প্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বনি। লোয়নননা মহাক্লা পোকখায়হন্নবা হোৎনরম্বা আই ঈ দিশিং অদু নোংপোক সঞ্জেনবমগী থুম্বী চীংগী চীংখোঙদা লোৎশিন্দুনা থম্লে হায়বা খঙবদগী কন্বাইন্দ টিমনা মফম অদু

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

দ্রগ কিংপিন কসিম আলি দেল্লী পুলিসনা ফারে

লুপা লাখ ১গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা পুলিসকী কন্সটেবল ওইরম্বদগী সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবা প্রোক্লেম ওফেন্দরনি

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কন্সটেবল ওইরম্বদগী সস্পেন্সনদা লৈরক্লবা মতুং ইন্টর ষ্টেট দ্রগ (হিরোইন) লল্লোনবগী কিংপিন অমা ওইরিবা এম দি কসিম আলি (৪২) দেল্লী পুলিসকী স্পেসল সেলগী টিম অমনা ঙরাং চূড়াচান্দপুরগী মফম অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়নননা মরী লৈনরিবা মণিপুরগী কোর্টতগী ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌরবা মতুং দেল্লী পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ১০নিগী রিমান্দ লৌখ্রে।

মতম খরগী মমাঙদা মহাক্লা এম দি ইকবাল খান অমসুং এম দি ইশাক কৌবা মীওই অনীদা হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ১০ খুৎশিন্নদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা সপ্লাই তৌনবা হোৎনখিবদগী মীওই অনীসিনা হিরোইন কিলোগ্রাম ৫না বরেলিদা পীরল্লবা মতুং কিলোগ্রাম ১০না দেল্লীদা এম দি নাজিম কৌবা মীওই অমদা পীননবা হোৎনরকপদা দেল্লী পুলিসনা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৪০ রোমগী ওইগদবা য়াল্লবা হিরোইনগী কন্সাইনমেন্ট অদু দেল্লীগী মফম অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি।

থৌদোক অদু থোকখিবা চহী অসিগী জুলাইদগী হৌরদুনা দেল্লী পুলিসকী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086 Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মণিপুর

স্পেসয়্যাল সম্মরি রিভিজন ২০২২
১-৩০ নবেম্বর, ২০২১

থীন্থবীরনু!
ঙসিমক ভোটর অমা ওইনা মিং চনবীহৌরো

অখন্নবা মিং চনবগী তারিখশিং
২৭-২৮ নবেম্বর ২০২১

অদোম্না অনৌবা ভোটর অমা ওইনা মিং চনবীনিংলবা, ইলেক্টোরেল রোলদা ইরিবশিং চুমথোক্লিংলবা নত্রগা ইলেক্টোরেল রোলদগী মিং লৌথোক্লবা হায়নিংলবদি অদোমগী পোল্লিং স্টেসন্দা অখন্নবা তারিখ অনীসিদা চৎপীয়ু। অদোমগী ভোটরগা মরী লৈনবা ৱাহংশিংগী তেংবাংনবা বিএলওশিংনা পোল্লিং স্টেসন্দা লৈগনি।

ডাউনলোড ভোটর হেল্পলাইন এপ
Available on the App Store
GET IT ON Google Play

POWER OF 18

অনৌবা ভোটর অমা ওইনা মিং চন্নবা শীজিন্নবীয়ু ভোটর হেল্পলাইন মোবাইল এপ লোগ তৌবীয়ু ভোটরপোরটেল.ইসিআই.গোভ.ইন ভোটর হেল্পলাইন নম্বর ১৯৫০দা ফোন তৌবীয়ু অদোমগা খ্বাইদগী নক্নবা ইআরও ওফিস, ভোটর ফেসিলিটেসন সেন্টর নত্রগা বুথ লেবেল ওফিসারগা (বিএলও)গা তানবীয়ু।

এ জে মাইস্নাম (শৈশকপা)

Fluorescence Communications Pvt. Ltd.

Chief Electoral Officer, Manipur
Visit us: www.ceomanipur.nic.in
Follow us:

Scan to download

NO VOTER TO BE LEFT BEHIND

HL-B/7312/27